**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-10-2025)**

**সৈনিক (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা রাজ্য সৈনিক বোর্দ ওফিস নৌনা শেমজিন শাজিল্লন্বা মতুংদা শঙ্গাখ্রে।

রাজ্য সৈনিক বোর্ড অসিনা ভারত লান্মীগী পেসন্সরশিং অমদি রাজ্য সরকারগী পেন্সনরশিংসু য়াওনা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাবা ফংহনগনি। মসিনা পেন্সনরশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়াসু য়াৎকনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী মেজর জেনরেল-রবরুত সিংহ য়াওনা তোঙান তোঙানবা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি থবক্তগী পোথারবা ভারত লান্মীগী ওফিসার অমসুং অতৈ মীওই কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মেজর জেনরেল-রবরুতনা হায়-নৌনা শঙ্গারবা রাজ্য সৈনিক বোর্ড ওফিস অসিনা থবক্তগী পোথরবা পেন্সনরশিংগী পেন্সন, চে-চাংনচিংবগী সমস্যা কয়া থোরকপা মতমদা মদু কোকহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলগনি। মনিপুরদগী মীওই কয়া ভারত লান্মীদা য়াওদুনা লৈবাক অসিগীদমক কৎথোক্তুনা থবক তৌরি। হন্দক্তসু রাজ্য অসিদগী গেলেন্টরি এৱার্ড ফংলবা মীওইশিং রাজ্যপালনা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

**পদয়াত্রা(এল)ঃ** য়ুথ এফিয়র্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়না ‘মাই ভারত’কী খুথাংদা ‘ভিক্সিট ভারত পদয়াত্রা’ পাঙথোকখ্রে। কেন্দ্রগা য়ুথ এফিয়র্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডা. মন্সুখ মন্দাভিয়ানা থা অসিগী ৬ তা দিজিতেল ওইনা মাই ভারত পোর্তেলদা কেম্পেইন অসি হৌদোকখ্রবনি।

লৈবাক শিনবা থুংবদা তাঙ্কক নাইনা কেম্পেইন অসি চথগনি। কেম্পেইন অসিগী মতাংদা রাজ্য সরকারগী য়ুথ এফিয়র্স অমসুং স্পোর্টসকী সেক্রেটরি নাওরেম প্রভিননা হায়-জিলা থাক্কী ওইনা পদয়াত্রা অসি থা অসিগী ৩১ দগী মথং থাগী ২৫ ফাওবা জিলা খুদিংমক্তা নুমিৎ হুমি চুপা কিলোমিতর ৮ দগী ১০ ফাওবা চৎকনি।

ঙসি ইম্ফালগী প্রেস ক্লবদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী প্রভিননা হায়-পদয়াত্রা পাঙথোকত্রিঙৈ মাংওইননা স্কুল অমসুং কোলেজশিংদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখি। থৌরমশিং অদুগী মনুংদা নাসা মুক্তা ভারতকী ৱাশক লৌবা, যোগা অমসুং হেলথ কেম্পশিং পাঙথোকপা, লুবা নানবগী থৌরমশিং য়াওখি।

**ফুদ (এল)ঃ** ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিশিং মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি-দেবেস দেৱালনা চান্দেল জিলাদা এসপেরেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা হন্না য়েংশিনখ্রে। মীফম অসিদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লাইশ্রম নন্দাকুমার অমদি তোঙান তোঙানবা সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াখি।

**ওরেঞ্জ (এল)ঃ** ১৮ শুবা রাজ্য থাক্কী ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল দিসেম্বর ১৭ তগী ১৯ ফাওবা তমেংলোং জিলাদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। ফেষ্টিবেল অসিগীদমক রাজ্য সরকারনা ওর্গনাইজিং কমিতি শেমখ্রে।

কমিতি অসিগী চেয়ারমেন মেম্বর ১৭ না শাবা কমিতি অসিদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ওইরি অদুগা টুরিয়জম দাইরেক্তরনা কনভেন্নর ওইরে।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল মাইবম লোৎপা চিংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা

রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিং য়াওনা লমদম অদোমগী নিংঙোল কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী সুগ্ অমসুং সেরৌদা পাঙথোকখ্রে।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৭ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**মুইভা(এল)ঃ** ঃ মনিপুরগী অরিবা কলেজ অমা ওইরিবা উখ্রুল জিলাদা লৈবা পেতিগ্রীয়ু কলেজগী চহি ৬০ শুরকপগী দাইমন জুব্লি থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা উখ্রুল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. রাম মুইভা অমদি এম.এল.এ. খাশিম বাশুম শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মুইভানা হায়-হ্যুমেন রিছোর্স অমসুং হ্যুমেন কেপিটেল নীংথিনা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা শিক্ষা হায়বসি য়ামা মরুওই অদুবু অসুক মরুওইখ্রবা সেক্তর অসিদা বজেটতা শেল পীকা হাপ্লিবা অসি লাইবক থিবনি। শিক্ষাগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনবদা সরকারনা বজেটতা শেল হেন্না হাপহন্নিংই।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং বার এসোসিয়েসন অমসুং দিপ্যুতি কম্মিস্নার ককচিং অমদি জে.ই.ও. ককচিংগা পুন্না খুৎশমদুনা থা অসিগী ১২ দগী চথরকপা লিগেল এৱারনেস কেম্পেইনগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি ইরেংবন্দ হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা কুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি।

**মেলা (এল)ঃ** সমগ্রাহ শিক্ষা মনিপুরগী মখাদা জোনেল এদুকেসন ওফিস-ককচিংনা শিন্দুনা জিলা থাক্কী রিদিং মেলা অমা ঙসি ককচিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

মেলা অসি নেসনেল এদুকেসন পোলিসিগী মখাদা মহৈরোইশিংবু ইবা-পাবা অমসুং ৱাহনথোক খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কলেজ দিবলপমেন্ট কাউন্সিলনা টেল্লি মেন্টেল হেলথ এসিসটেন্স এন্দ নেটৱার্কিং এক্রোস ষ্টেটকা খুৎশমদুনা পুকিং ৱাখল ফনা থমবগী মতাংদা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

**রুপমহল(এল)ঃ** রুপমহল ঠিয়েটর লিংখৎখিবগী ৮৪ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চহি অসিগী দিসেম্বর ২৩ দা ২৪ শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল হৌরগনি।

নুমিৎ অদুদা চহি অসিগী মৈত্রম বিরা মেমোরিএল এৱার্ডসু লাউথোক্কনি। ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়ানিংবা ঠিয়েটর ওর্গনাইজেসনশিংনা অকুপ্পা মরোল রুপমহল ঠিয়েটরদগী খঙবা য়াগনি।

**ইম্ফাল (এল)ঃ** ইম্ফাল কলেজ ৱিমেন সেল অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ রেদিয়েসন ওনকোলোজি অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ পেথোলোজি-রিমসকা পুন্না

শিনদুনা ‘ইন্টরনেসনেল ব্রেস কেন্সর এৱারনেস কম স্পোট স্ক্রিনিং টেষ্ট’ প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল কলেজগী সেন্ট্রেল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**মৈ (এল)ঃ** তেংনৌপল জিলাগী মোরে পাংগল লৈকাই ৱার্ড নম্বর ফাইবতা য়ুম অমা মৈ চাকখ্রে।

খুদক্তা ফয়ার সার্ভিস অমসুং তমু ফয়ার সার্ভিসকী টিম মফম অদুদা চংশিনদুনা কা হেন্না অমাং অতা থোক্লমগদবদগী কনবা ঙমখ্রে।

**নদ্দাঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মেদিকেল এদুকেসনগী লমদা হেন্না খুমাং য়াংশিন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা মেদিকেল কলেজ কয়া হাংদোকখ্রে। হৌজিক লৈবাক অসিদা মেদিকেল কলেজ ৮১৯ লৈরি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা অন্দর গ্রেজ্য়েট মেদিকেল সিট অসি লিশিং ৫১ ওইরম্বদগী লাখ অমা লিশিং ২৯ দা হেনগৎখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) ন্যু দিল্লিগী ৫০ শুবা কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-পোষ্ট গ্রেজ্য়েট মেদিকেল সিট লিশিং ৭৮ গী ময়াদা হেনগৎখ্রে। শ্রী নদ্দানা হায়-মেদিকেল সাইন্স, ট্রেন্নিং অমসুং হেলথ কিয়ারগী লমদা এইমসনা খ্বাইদগী মাংজিল থাদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামবু সেবা তৌরি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগীদমক এন.দি.এ. অমসুং মহাগত-বন্ধনগী স্তার কেম্পেইনরশিংনা ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি খাগারিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়াখি। শ্রী অমিত সাহ মুঙ্গের অমসুং নলনন্দা জিলাদা পাঙথোকপা মীখলগা রেল্লিশিংদসু ৱা

ঙাংখি।

রোতাহ্ জিলাগী বিনারা বিধান সভা কেন্দ্রদা হান্নগী মন্ত্রি অমসুং জে.দি.য়ুগী হান্নগী লুচিংবা-জৈ কুমার সিংহ, এন.দি.এগী মনুংদা য়াওবা রাস্ত্রিয়া লোক মোর্চাগী মীরেপকা লম্বা তৌনরি।

মরক অসিদা, আর.জে.দি. লুচিংবা তেজশ্রী প্রসাদ যাদবকী  মীয়ামগী মীতিন অমসু ঙসি খাগারিয়াদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়েথোকখ্রে।

**জিতেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী সাইন্স এন্দ টেকোলোজি রাজ্য মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-হকশেলগী লমদা মালেমগী থাক্তা নীংথিনা থিজিন হুমজিনবগী লমদা হেন্না মায় পাকহন্নবগীদমক হকশেলগী লমদা লন্নাই সেক্তরশিং মপুং ফানা শরুক য়াহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ন্যু দিল্লিদা য়ুনিভরসিতি কলেজ ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী ৫৪ শুবা ফাউন্দেসন অমসুং কনভোকেসনগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী জিতেন্দ্রনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা স্পেস, ন্যুক্লিয়ার অমসুং বাইও-টেকোলোজিগী লমদা লন্নাই সেক্তরশিং য়াওহনবগী খুদোংচাবা পীরকপা অসিনা পব্লিক অমসুং প্রাইবেট সেক্তর অনিমক্তা হেন্না মরী ফগৎহনবা ঙমলে। চহি তরাগী মমাংদা, মেদিকেল তম্বগী সিট অসি লিশিং ৪৫ খক ওইরম্বদু হৌজিক্তি লাখ অমা লিশিং ৫০ দা হেনগৎলে। মসিনা মেদিকেল এদুকেসন অসি লৈবাক অসিদা হেন্না খুমাং চাউশিলহনবতা নত্তনা নুপীশিং মেদিকেল তম্বগী চাং ৱাংখৎহল্লে।

আয়ুসমান ভারত অমসুং জন ঔসাদি কেন্দ্রনচিংবা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং কয়া পায়খৎলকপদগী মীয়ামদা অতাবা মমলদা হিদাক লাংথক ফংহল্লি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা রাজস্থানগী জৈসালমরদা লৈবা আর্মি কম্মান্দরস কনফরেন্সতা ভারত লান্মীগী তোঙান তোঙানবা দিজিটেল অমসুং

য়াইফ থৌরাং কয়া হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকখিবা থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা ইটস দাটা সেন্টর, ফয়ার এন্দ ফ্যুরি কোর, মোরদনাইজ ইক্যুপমেন্ট হেল্প লাইন, সৈনিক যাত্রা মীত্রা এপনচিংবা য়াওরি।

**মেটঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-ভারতকী খা নোংপোক থংবা মফমশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অখাক অরাও অমদি উফুল য়াওবা নুংশিৎকা লোয়ননা তেলঙ্গানা, করনাতক অমসুং লক্ষদ্বিপতা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা কেরলা, মাহে, পুদুচেরি অমসুং করাইকালদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। অন্ধ্র প্রদেসকী  মফম খরদা হয়েং নোং চুগনি।

**পাকিস্থানঃ** পাকিস্তানগী তেঙ্ক জিলাগী গারাভুধা খুলদা লৈবা নুপীমচাশিংগী প্রাইমারি স্কুল অমা মশক খঙদবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা থুগায়রম্লে হায়রি।

পাউ খরগী মতুং ইন্না, পোকখায়বগী থৌদোক অদু মশক খঙদবা মীওইশিং অদুনা স্কুল অদুদা প্লান তৌদুনা থমজিল্লম্বদগী থোকখিবনি। পুলিসনা হায়-মফম অদুদা পুলিস অমদি বোম স্কাউটশিং চংশিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক চশ্খরি। করি মরমগীদমক শকখঙদবশিং অদুদা স্কুল অদুদা বোম অদু পোকখায়হনখিবনো হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি। অদুমওইনমক, থৌদোক অসি মীয়ামনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা নুপীমচাশিংগী মহৈ মশিং তম্বদা অয়েৎপা পীবা অসি য়মমক থম্মোয় শোকনিংঙাইনি হায়রি। মরী লৈনবশিংদা স্কুল অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীদুনা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা নুপীমচাশিংবু মহৈ মশিং তম্বা ফংহনবীয়ু হায়না দাবী তৌরি।

**অমরোমদা,** পাকিস্থানগী বালুকিস্থানগী মনুং চন্না লৈবা খুজদার জিলাদগী মশক খঙদবা মীওই খরনা কন্সত্রক্সন কম্পানি অমগী থবক শুফমদগী শিন্মী ১৮

ফাদুনা পুখ্রে হায়রি। খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মশক খঙদবা মীওইশিং অদুনা শিন্মীশিং অদু নোংমৈ নমদুনা পুখিবনি।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** গৱাদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা নেসনেল সেরেব্রেল পালসি ফুটবোল টুর্নামেন্টতা রন্নরস অপ লৌরকখ্রবা মনিপুর সেরেব্রেল পালসি ফুটবোল টিমগী মেম্বরশিং অমসুং স্পাষ্টিক সোসাইতি ওফ মনিপুরগী লুচিংবা ডা: রিকি লাইশ্রমনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা উন্নখ্রে।

মখোয়না রাজ্য অসিগী শান্ন খোৎনবগী থৌশিলদা দিসএব্লিতি স্পোর্টস হাপ্পীনবা তকশিনখি। রাজ্যপালনসু মখোয়গী ৱাফমশিং য়েংশিনগনি হায়না থাজবা পীখি।

**পোলো**ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চথরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৪ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপোলনা ককচিং পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৭-১ দা, তেকচম পোলো ক্লবনা ক্রিপসা পোলো টিম-নাওরেমথোংবু পাঞ্জল ১১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল** ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা মসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা-য়ু.সি.সি.ককচিংনা এ.আই.এফ.এ. ইরেংবন্দপু পাঞ্জল ৩-২ থোহখ্রে।

**পোলো(এল)ঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা

মনিপুরনা মালেমদা পোলো মশান্না খুদোল তৌখিবনি। মনিপুর পোনি কনসি হায়বা থিমদা রাজ্য থাক্কী লাই য়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা মথং থাগী অনিদা মপাল কাংজেবুংদা পাঙথোক্কদৌরি। মকোক মথং তারবশিংদা সার্টিফিকেট য়াওনা লুপা লিশিং মঙা, অহুম অমসুং লিশিং অনি পীগনি হায়রি।

**ক্রিকেটঃ** ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনি ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহুমশুবা ও.দি.আইগী মেটচ অমদা ভারতনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ানা অহানবা বেটিং তৌদুনা ৱিকেট ১০ তুরগা রন-২৩৬ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা ভারতনা ৱিকেট অমা তুরগা রন-২৩৭ লৌখি।